**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 10-01-2025)**

**বিরেন (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ঙসি প্রধান মন্ত্রি কৌসল বিকাশ য়োজনাগী মখাদা ট্রেন্নিং লোইরবা মীওইশিংদা স্কিল সার্টিফিকেট য়েন্থোকখ্রে।

ইং ২০২৩-২৪ গী ওইনা প্রধান মন্ত্রি কৌসল বিকাশ য়োজনা ফোর পোইন্ট জিরোগী অখন্নবা প্রোজেক্টকী শরুক অমা ওইনা সেন্ত্রেল্লি স্পোন্সর ষ্টেট মেনেজকী মখাদা ইম্ফাল ইষ্টকী শওম্বুং অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোংদা লৈবা মাঙ্গোলঙানবী কলেজতা হাংবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈবা ইনমেট ২৮ দা মুখ্য মন্ত্রিনা সার্টিফিকেটশিং অদু য়েন্থোকখিবনি।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটেরিয়েটতা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা মনিপুর সেভা সমিতি অমসুং হ্যুমেনিজম ফাউন্দেসননা আই.দি.পিশিংদা স্কিল ট্রেন্নিং পীবগীদমক থাগৎপা ফোংদোকখি। মহাকা হায়-হিংশা চথুবশিং অমদি অতৈ মীওইশিংদা অশোয় অপন থোকহনবদা চেন্নবশিং ফাননবা সরকার অসিনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। মহাকা হায়-রাজ্য অসিদা আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম ফগৎলক্লবা কান্দা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ইনমেটশিং মশা মশাগী ময়ুমদা অশোয় অঙাম য়াওদনা হলহনখিনবা সরকার অসিনা থৌরাং তৌদুনা লৈ।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-তোঙান তোঙানবা লমশিংদা মায় পাকনা ট্রেন্নিং তৌরবা মীওইশিংদা শেলগী তেংবাং ওইনা করবার হৌদোকবা লুপা লিশিং ৫০ সরকারনা পীগনি। মসিগী মথক্তা রাজ্য সরকারনা হৌদোকখিবা স্কিমশিংগী মখাদা মখোয়গী করবারশিং পাকথোক চাউথোকবা চাদা ৩০ গী গ্রান্ট য়াওবা লুপা লাখ ১০ গী লোন লৌবা য়াগনি।

রাজ্য অসিদা মখা তানা চরাংনবা থোকহনগদবা য়ুম্ফম য়াওদবা পাউশিংদা মীয়ামনা থাজবীদনবা মুখ্য মন্ত্রিনা আপিল তৌরি।

**সিএম-ইন্সপেক্সন (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ঙসি মনিপুর ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরীগী ফিভম য়েংশিনখ্রে।

কৈশাম্পাৎতা লৈবা লাইব্রেরী অসি অথুবা মতমদা শেমদোক্কুনা হেন্না অফবা মওংদা শেমগৎনবা হোৎনরগনি হায়রি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-লাইব্রেরী অসিদা অনৌবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি মতমগা চুন্নরবা খুদোংচাবশিং ফংহনদুনা লাইব্রেরী অসি লৌশিং গ্যান তানফম ওইহনবতা নত্তনা মীপুম খুদিংমক্তা লাইরিক পাবগী হৈনবী লৈহন্নবা মফম অমা ওইহন্নবা শেমগৎকনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা ইম্ফাল ইষ্টতা শেমগৎলিবা সলান থোংগী ফিভমসু য়েংশিনখি। য়েংশিন খোঙচৎ অদুগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-অখঙ অহৈশিংগা তান্নরবা মতুং থোং অসিগী ৱাংবগী চাং ফুট মরি হেনগৎহন্দুনা ঈশিং ঈচাও মতমদা তুরেল পরিং অসিদা ঈশিং অপনবা লৈতনা চেনখিনবনি।

**ইমোইনু (এল)ঃ** মনিপুরদা হয়েং ধর্ম্মগী চৎনবীগা লোয়ননা ইমোইনু ইরাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোক্কনি।

লনগী লাইরম্বী ইমোইনু ইরাৎপা নুমিৎকা মরী লৈননা রাজ্যপাল, মুখ্য মন্ত্রি অমদি লুচিংবা কয়ানা রাজ্য অসিগী মীয়মাদা য়াইফ পাডজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপাল-আজয় কুমার ভাল্লানা হায়-নুমিৎ অসিনা লাকপদা মীয়ামনা হরাউ তয়ামা থৌরম অসি পাঙথোকপদা শরুক য়াবগা লোয়ননা লমদম অসিদা শান্তি অমসুং চাউখৎপা পুরকপা ওইরসনু।

মহাক্কী পাউজেলদা মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতানা হায়-ইমোইনু অসি মনিপুরদা লনগী লাইরেম্বী ওইনা লৌনৈ।

ইমোইনু ইরাৎপা নুমিৎনা লাকপদা লমদম অসিদা নুংঙাই য়াইফবা, শান্তি লৈবা, নুংশি চান্নবা লমদম অমা ওইরসু।

ইমা ইম্মোইনু ইরাৎ নুমিৎনা লাকপদা রুরেল দিভলপমেন্ট অমসুং পঞ্চায়টি রাজ মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা মীয়ামদা মপুং ওইনা মীতৈশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা ঐখোয় পুমমকা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা তুং কোইনা নুংশিনবা অমসুং শান্তি লৈনবা থৌনিজরসি হায়রি।

শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাওজম বসন্ত কুমার সিংহনসু নুমিৎ অসিনা লাকপদা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি। পাউজেল অমদা মহাকা হায়-লাইরেম্বী অসিগী থৌজালনা মণিপুরগী ইমুং খুদিংমক্তা শান্তি অমসুং  নুঙাই য়াইফবা পুরকপা ওইরসনু।

**দিঙ্গো (এল)ঃ** ফিসরিজ মন্ত্রি-হৈখাম দিঙ্গোনা হায়রি-মপানদগী ঙা লৈবদা মণিপুরদগী লূপা কোতি ৪০০ রোম চৎলম্বা অদু হৌজিক্তী লূপা কোতি ২০০ দা হন্থহনবা ঙম্লে। মসি রাজ্য অসিদা ঙাগী পোত্থোক পুথোকপা শিংথানিঙাই ওইনা হেনগৎলকপদগীনি।

ইম্ফালগী ন্যু সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা মন্ত্রিগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা মন্ত্রিনা হায়-ফিসরিজ বিভাগনা ঙাগী পোত্থোক হেনগৎহন্নবা অকনবা থবকশিং লৌখৎলকপদগী ফীভম অসি য়ৌরকপা ঙম্বনি। মহাকা হায়-ইমোইনু ইরাৎপগা মরি লৈননা হয়েং ইম্ফালগী হপ্তা কাংজৈবুংদা ঙাগী মেলা অমা বিভাগ অসিনা শীন্দুনা পাঙথোক্কনি। মসিদা ঙা কিলোগ্রাম লিশিং ৮০ রোম পুথোক্কনি। মেলা অসিদা লৌউ-শিংউগী পোত্থোক, হৈ-রাগী পোত্থোক অমসুং রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংনা পুথোকপা পোৎলমশিং উৎপা স্তোলশিং য়াওনা ঙাগী স্তোল ১২০ হাংদোক্কনি।

মদুগী মমাঙদা, স্কিল, লেবর, ইমপ্লোইমেন্ট অমসুং ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিপকী মন্ত্রিসু ওইরিবা শ্রী দিঙ্গোনা ক্রাফ্টসমেন ট্রেন্নিং দাইরেক্তোরেটকী ৱেবসাইট

অমসু হাংদোকখি।

থৌরম অদুদা, মন্ত্রিনা হায়-ঙসি হাংদোক্লিবা ৱেবসাইট অসিনা ক্রাফ্টসমেন ত্রেন্নিংগা মরি লৈনবা থবক থৌরমশিং হেন্না ত্রান্সপরেন্ট লৈবা অমদি লাইথোকা তৌবা ঙমহল্লগনি। স্কোলরশিপ পীবা অমদি ত্রেন্নিংনচিংবগা মরি লৈননা ফোর্ম থাগৎপনচিংবা ৱেবসাইট অসিদা ইরাই লাইনা তৌবা য়রগনি।

অমরোমদা, বেঙ্গলুরুদা লৈবা জি.ই. হেলথ কিয়ারগী মীহুৎশিংনা ঙসি আই.টি.আই. কেম্পসতা লাক্তুনা মহেরোই ৫০ রোম থবক পীনবা খনখিবদসু শ্রী দিঙ্গোনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

**রাজ্যপাল(এল)ঃ** মনিপুরগী রাজ্যপাল-আজয় কুমার ভাল্লানা ঙসি তেংনৌপল জিলাগী ঙমখৈ সহর মোরেদা চৎতুনা মফম অদুদা লৈরিবা ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্ট (আই.সি.পি) গী থবক থৌরমশিং য়েংশিনখ্রে।

লেন্দ পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়াগী ওফিসিএলশিংনা ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্ট অসিগী থবক থৌরমশিংগী মতাংদা রাজ্যপালদা মরিক চুমা পাউদমখি।

রাজ্যপালনা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিংগা ৱারী শান্নদুনা মখোয়গী ৱাকৎশিং তাখি। রাজ্যপালনা মোরেদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা করবার তৌরিবা মীওইশিং অমদি জাতি কাংলুপশিংগী লুচিংবশিংগা উন্নখি অমসুং মখোয়গী ৱাফমশিং রাজ্যপালনা তাখি। উন্নবা অদুদা বোর্ডর ত্রেদ চেম্বরস ওফ কর্ম্মস, তামিল সঙ্গম, মনিপুর মুস্লিম কাউন্সিল অমসুং গুরখা সমাজগী মীওইশিং য়াওখি। উন্নবা অদুদা মখোয়না রাজ্যপালদা কোবিদ নাইন্তি লায়চৎ মতুংদগী লৈবাক অনিগী মরক্তা লল্লোন ইতিক তৌবা থিংখিবা অদুনা লল্লোনবশিংদা মায়োকরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা পাডদমখি। তুংদা, রাজ্যপালনা ইন্দো-ম্যান্মার ফ্রেন্দসিপ গেট নম্বর ৱান অমসুং নম্বর টুদা চৎখি। মহাকা গোভাজাং ভিলেজতসু চৎখি। মফম অদুদা ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা চথরিবা শম্বল খাবগী থবক অদুগী মতাংদা ২৫ শুবা বি.আর.টি.এফকী কম্মান্দে

দান্টনা রাজ্যপালদা ৱাফমশিং থমখি।

**রঞ্জন (এল)ঃ** কেন্দ্রগী হান্নগী মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি-ডা.আর.কে রঞ্জন সিংহনা হায়রি-মনিপুরদা ফোরেন দাইরেক্ট ইনভেষ্টমেন্ট তৌহনগে হায়রবদি হৌজিক লৈরিবা লেন্দ লো অসি শেমদোকপগী তঙাইফদবা লৈ।

সি.এস.আই.আর-এন.ই.আই.এস.টিগী ব্রাঞ্চ লেবোরেটোরি-লম্ফেলপাৎ ইম্ফালদা কুরাউ হরবেলস অমসুং সি.এস.আই.আরনা পুথোকপা হারবেল টি হৌদোকপগী থৌরমদা ডা: রঞ্জননা হায়-ইং ২০১৩-১৪ দা ভারত অসি এম.এস.এম.ইগী লমদা মালেমগী ওইনা ৮১ শুবা মফমদা লৈরম্মী। অদুবু, সরকারনা লম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চংবদগী ইং ২০২৩ দদি ৪০ শুবা মফমদা হাইগৎলকখি। কেন্দ্রদা পাল্লিবা সরকার অসিনা এম.এস.এম.ই. মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা কন্না হোৎনরি। চাইনানা এম.এস.এম.ইগী লমদা চাউনা মায় পাক্লিবা অসি লন্নাই নৎত্রগা খুঞ্জাশিংনা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুথোরকপদগীনি। চাইনাগী শেন্মীৎলোন্দা এম.এস.এম.ই. সেক্তরনা চাউরবা থৌদাং লৌরি। মহাকা হায়-লমদম অসিদা পুথোক্লিবা পোৎথোকশিংগী পেটেন তৌহৌবগী তঙাইফদবা লৈ। মতম অমদা মনিপুরগী শেন্মীৎলোন অসি চা মরু য়োল্লগা ওইরম্মী।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা সি.এস.আই.আর-এন.ই.আই.এস.টি ব্রান্স লেবোরেটোরি-লম্ফেলপাৎকী চীফ সাইন্টিষ্ট ডা:হুইদ্রেম বির কুমার সিংহনা হায়-মনিপুর অসি বাইও রিছোর্সেস মরাং কায়না লৈবা লমদমনি। অদুমওইনমক, মসিগী খুদোংচাবা লমদম অসিগী মীয়ামনা লৌবা ঙমদ্রি। লমদম অসিগী বাইও রিছোর্সেসশিংগা মগুন মীয়ামদা হেন্না খঙহন্দুনা মসিগী খুদোংচাবা লৌরবদি মনিপুর অসি সনাগী খোনিগী লমদম অমনি হায়না খঙনগনি।

**নুমিৎ (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা মীয়ামগী নুমিৎ ঙসি দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী

ওফিসতা লৈবা পঞ্চায়েট রিছোর্স সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী স্তোল ৩০ রোম হাংখি অমদি মীয়ামগী ৱাকৎ কয়ামরুম লাকখি হায়রি।

ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর পাউমী-আর.কে. মনিপুরসনানা হায়-ঙসি লাকখিবা ৱাকৎশিং অয়াম্বনা ওল্ড এজ পেন্সন, রসন কার্ড অমসুং হেলথ কাডনা ওইখি হায়রি।

জিলা অসিগী ওইনা মীয়ামগী নুমিৎ থা খুদিংগী অহানবা থাংজ নুমিৎতা পাঙথোক্কনি হায়রি। জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-লৌরেম্বম বিক্রম সিংহনা হায়-মীয়ামগী খুদোংচানবগীদমক মথং থাদগী মীয়ামগী নুমিৎ মফম হোং-হোংদুনা পাঙথোক্কনি।

**লোক্তাক (এল)ঃ** নুমিৎ নিনি চথুগদবা ৱাটর বার্ড মোটিভেসন কেম্প ঙসিদগী বিষ্ণুপুর জিলাগী সেন্দ্রাদা লৈবা এল.দি.এগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

লোক্তাক দিবলপমেন্ট ওথোরিতি অমসুং ইন্দিয়ান বার্ড কঞ্জারভেসন নেটৱার্কনা পুন্না শিনবা কেম্প অদুদা মীওই ১৫০ হেন্না শরুক য়াখি। কেম্প অসি থা অসিগী ১৮ দা লোক্তাক্কী তোঙান তোঙানবা মফম ৫০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা নীংথম থাগী মতমদা পাৎ অসিদা চাক্তরবা উচেকশিং মশিং থিবগা মরী লৈননা পাঙথোকপনি।

হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা এল.দি.এগী চেয়ারমেন-এম.অশ্বিনি কুমার সিংহনা লোক্তাক পাৎতা উচেক মশিং হন্থরকপদা নুংনাংবা ফোংদোকখি। মহাকা হায়-চহি তরাগী মমাংদা পাৎ অসিদা উচেক মখল ১২৭ হেন্না থেংনরম্বা অদু হৌজিক্তি ৫০ মুক্তা থেংনরে। উচেক মশিং হন্থরকপা অসিনা পাৎ অসিগী খলদা চাউনা শিংনরকপা অমা ওইরক্লি।

মহাকা হায়-ঈশিংদা চাক্তবা উচেক মশিং থিবগী থবক অসি অতৈ পাৎশিংসু কোনশিন্নবা হোৎনরি। লোক্তাক পাৎ অসিবু মহৌশাগী ফিভমদা

হনজিলহন্নবা অমসুং মসিবু য়োকখৎতুনা থমবা হোৎনবদা মীয়ামনা মতেং পাংবীনবা চেয়ারমেননা আপিল তৌখি।

**কেম্প (এল)ঃ** নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংগী কেম্প অমা ঙসি ইম্ফালগী ৱাহেংবম লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

নেসনেল অবার্ন হেলথ মীসনগী মখাদা অবার্ন প্রাইমারি হেলথ সেন্টর-শগোলবন্দনা শিনদুনা কেন্দ্র অসিগী এম.এল.এ. আর.কে. ইমোগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা হেলথ কেম্প অদুদা মীওই ১০০ হেন্না লায়েংখি।

আর.কে. ইমোগী মীৎয়েং মখাদা পায়খৎপা অনা লায়েংগী তেংবাং স্কিমগী শরুক অমা ওইনা হৌখিবা চহি অনি মখায় অসিদা ইমুং ২৫০ হেনবদা তোঙান তোঙানবা লায়েং চথনবা শেনফমশিং খুৎশিন্নখ্রে।

**পিএমঃ** ভিক্সিত ভারত অমা ওইনবগীদমক ইং ২০৪৭ ফাওবদা সমস্যা খুদিংমক্কী ৱারোইশিন পুরকপা পাম্মী হায়না প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ফোংদোকখ্রে।

মহাকা হায়-সরকারগী স্কিমশিং মীপুম খুদিংমক্তা চাদা ১০০ ফংহন্নবা হোৎনবা হায়বসি সরকার অসিগী তঙাইফদবা থবকনি। লৈবাক অসিগী শক াইরবা ওন্টরপ্রেন্যুয়র-নিখিল কমতকা উন্নবা অমদা ৱাফম অসি প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-মীওই অমা ওইনা মহাকসু অরানবা কয়া তৌরম্বা য়াই। অদুমওইনমক, ফত্তবা ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা অরানবা থবক্তি কৈদৌঙৈদা তৌরোহ।

শ্রী মোদিনা হায়-রাজনিতিদা মায় পাক্লে হায়রবদি কৎথোকপা, হায়খিবা ৱা ঙাকপা, পুন্না থবক তৌমীন্নবা অমসুং মীয়ামগীদমক মতম কায়থোকপা ঙম্বা হায়বসিনি।

শ্রী মোদিনা হায়-অফবা মীওইশিং রাজনিতিদা লেপ্পা লৈতনা চংল্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ অমসুং মখোয়না রাজনিতিদা চংল্লকপা মতমদা থৌদাং অমগা

লোয়ননা চংল্লক্কদবনি।

## --হৌজিক শান্নবগী পাউ, ক্ষেত্রিময়ুম গঙ্গাদগী--

**নেসনেল (এল)ঃ** থা অসিগী ২৮ দগী মথং থাগী ১৪ ফাওবদা উত্তরাখন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা শরুক য়াগদবা মনিপুরগী শান্নরোইশিং খন্ননবা এহ্দোগ কমিতি অমা শেমলে। মীওই ৯ না শাবা কমিতি অসিগী চেয়ারমেননা য়ুথ এফিয়ার্স অমসুং স্পোর্ট মন্ত্রিনা ওইগনি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** ৯ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্ট-এন.সি.এ. নিংথৌখোংনা লৌরে।

ঙসি লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ফাইনেল এন.সি.এ. নিংথৌখোংনা কে.এস.দি.ও.-কিয়ামগৈবু রন-৯০ দা থোইখি। টুর্নামেন্ট অসিদা মেন ওফ দা সেরিজ এম.পি.এগী হুইদ্রেম ধন্যাশ্রাম মীতৈনা তারে। মেন ওফ দা মেটচ ফাইনেলনা এন.সি.এগী অঙোম রোবিনহুদ সিংহনা তারে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** লংথাবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ২১ শুবা মনিপুর ভেটেরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.য়ু.সি.সি. মোইরাংপুরেলনা মোদেল ক্লব-চিংঙামখাবু রন-তরুক্তা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** তরুকশুবা ঐচ. মণি শর্ম্মা মেমোরিএল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি পময়াল গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা জি.এফ.সি. কংলাতোংবীনা য়ু.ৱাই.পি.এ. খা-জিরিবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা আই.এম.এ.এফ.এ. ৱাঙ্গোইনা কে.ৱাই.দি.সি. কিয়ামবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** থৌনাওজম প্লে গ্রাউন্দদা চঙ্খরিবা অনিশুবা ইমা পান্থোইবী ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এম.টি.এফ.সি. মালোমনা ৱাইখোং এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা টি.দি.সি. তেজপুরনা পি.আই.এস.সি. পুরুম তম্পাকপু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ৪৪ শুবা সি.এস.দি.এস.এ. স্পোর্টস মিটকী চকপিকারোং প্লে গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা চকপিকারোং এফ.সিনা তামপি ৱাই.সিবু পাঞ্জল ২-১ দ থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা খুবুং খুল্লেন এফ.সিনা নারিংখু এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-১ দা অমসুং দাংখু ৱাই.সিনা ৱাই খুতাবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ওইনাম থিঙেলদা চঙ্খরিবা অহানবা ওইনাম চারলি মেমোরিএল অন্দর ফিফতিন সোক্কর টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মঙাল এফ.এনা ওল এফ.সিবু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা বি.এফ.সি. টিম (বি) না দল্লিয়ু এ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।